# ‘লানসি কয়াম কুইনা চথখিগনি’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

**উশম ধরমেন্দ্র**



মণিপুরদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী থোকহল্লকখিবা লান চহী অহুম পুরা মপূং ফাখ্রে। অসুক শাংলবা মতমসিদা ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং কয়াগী মতিক ৱানা হিংলকখি। হান্নগী মফমদা হঞ্জিন্নখিবা মীওই খরবুদি য়াওখ্রে। মদুসু তংদু লৈতাদে। মীতৈশিংনা পাকশন্না খুন্দারম্বা মোরে, চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপীনচিংবদদি মীতৈশিংনা করম্বা মতমদা মহৌশাগুম হঞ্জিন্দুনা খুন্দা লৈতাবা ঙমগনি হায়বা ঙমদে। ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি মতম খরা চঙখিগনি হায়বা ৱাফমসিনি থল্লিবসি। কুমজা ১৯৯২-১৯৯৭কী নাগা অমসুং কুকি কাঙলূপ অনীগী লানদা কুকিনি হায়রিবা মীওই কাঙলূপকী মীওইনা নাগাগী মশীংদগী য়াম্না হেন্না শিখি। অদুবু মোরে টাউন্দগী নাগাশিং মপূং ফানা তকথোকখিদুনা তুংদা নাগা অমত্তা লৈহৌদ্রে। মদু মখোয়গীদি য়াম্না চাউনা মায়পাকপা অমনি। মরমদি মোরেসি লল্লোন ইতিক্কী মরু ওইবা মফম অমনি। মসিনা ইন্দিয়াগী মরু ওইবা সহরশিংগা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী অতৈ মফমশিংগা শম্নখিগদৌরিবনি।

ম্যান্মারদগী হাইজিল্লকখিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা মণিপুরদা খুন্দাজরম্বা য়েলহৌমীশিংবু নমথরগা মখোয়গী তোঙানবা হোমলেন্দ অমা শেমগৎনবগী প্লানসি য়াম্না শাংনদগী তৌরক্লে হায়বসি মীতৈশিংনা থেঙনা খঙলকপনি। মীতৈশিং অমসুং অতৈ নাগা য়েলহৌমীশিংবু লল্লোন ইতিক্কী মরু ওইবা মফম অমসুং মণিপুরগী লাইফ লাইনশিং মখোয়না কন্ত্রোল তৌনবা মখোয়গী পাঙ্গল শক্তি শীজিন্নরকপনি। মোরে টাউনদগী নাগাশিং তান্থোকখ্রে মদুগী মথংদা মীতৈশিংদা টার্গেট তৌরকপনি মদুসু মায় পাকখ্রে। ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশতা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসি মফমদুগী লৈঙাকশিংনা নমথনবা অঙম্বা শক্তি শীজিন্নরিবনি। অদুদি মখোয়না ফংলিবা লানগী শক্তি লৈরবা খূৎশু-খূৎলায়শিং অসি কদাইদগীনো হায়বসি মীয়াম্না ইফোং ফোংনা উনরিবা/খঙনরিবনি। ঙসিদি মখোয়না কিবা-হঙ্গোইবা মফম লৈত্রে।

মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফমশিংদা ঈরাং থোকহন্নীংবা মতমদা থোকহন্দুনা লৈরে। মদুনা মরম ওইরগা মীতৈ য়াওনা ঈং-তপ্পা পামজবা মীওইশিংগী পূন্সি তংদু লৈতাদনা লৈরকপা কুইরক্লে।

শাংলবা চহী অহুম হেনখ্রবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা তংদু লৈতাদনা লৈহল্লকখিবা ইরমদমসিদা অনৌবা পুৱারীগী তাঙ্কক্তা থোকহৈদবা থৌদোক কয়া লমদমসিদা থোকখ্রে। পীল্লিবা চহী অমা ফাদ্রিবা অঙাং ফাওবা মীনুংশি য়াওদনা হাৎপীখিবগী থৌদোক থোকখ্রবনি। মীতৈশিংবু হাৎলমদাইদা ভিদিও লৌশিলহৌদুনা মদুবু মীতৈশিংদা য়েংজরো মতাগুম কয়ারক হন্না তোঙান তোঙানবা মীহাৎকী ভিদিও ক্লিপশিং থাদোরকখ্রবনি। মদু উনা-উনা ষ্টেট লৈঙাক্লা মীহাৎতুদা চেন্নরিবশিং মফম-মতম চানা ফাদুনা ৱায়েল চথবগী পাউদি লৈবাক মীয়াম খঙনা লৈখিদ্রবনি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মীতৈ মীয়ামদা ফোংনা শীংনরিবনি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা লানগী চহী অহুম মপূং ফারমদাইগী মতম নকশিল্লক্লবা এপ্রিল ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংদসু ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা বোম কাপশিন্দুনা পীল্লিবা অঙাং অনী তমথীনা হাৎখিবা অমসুং মমানা শাথীনা শোকহনখিবগী থৌদোক অমসুং মখা তারকপদনা সী আর পি এফশিংনা থৌদোক্তুগী য়ানীংদবা খোঙজং চঙশিনখিবা মীচম অহুম নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক থোকখি।

কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈ মচা কয়া তমথীনা শা-ঙা হাৎপগুম হাৎখিবগী থৌদোক কয়া লৈখ্রবসু মতুংদসু মদুগুম্বা তমথীবা থৌদোক কয়া তুংদসু লেপ্পা লৈতনা থোরকখিগনি। মরমদি তমথীরবা টেরর এটেক চথরিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংদু ষ্টেট লৈঙাক্লা মখোয়গী লৈজরিবা কন্সটিট্যুশননা পীরিবা শক্তি শীজিন্নদুনা মরাল লৈবশিংদু ফাদুনা আইনগী থবক মতম চানা লৌখৎতুনা চৈরাক পীবা উদে। অমুকসু মণিপুরদা থোক্লিবা তমথীরবা মীহাৎপগী কেস পূম্নমক এন আই এ (নেশনল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সী) দা শিন্নবগী ফীভমদা লাক্লি। মণিপুর পুলিস অসি মপাঙ্গল য়াম্না শোল্লবরা হায়বগী ৱাহং মতাংসিদা থোরকই। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা শীংনরি। মখোয়না তমগী মফমশিংদা নত্তনা চীংগী লমদসু টেরর এটেক কয়া চথরি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা মীচমদা এম্বুশ তৌদুনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীচম মীয়ামদা অকিবা পোকহল্লি। লমদমসি ঙাকপী শেনবীনবা মপী-মপা লৈত্রে। মীচম মীয়াম ৱানা খাঙলে। মীকপ মীরাওখোলতনা লমদমসি নিল্লে। ষ্টেট লৈঙাক্লা অসুক য়াম্না তুশোন-মানশোন্ননা লৈবাক ঙাক্লিবসিবু সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী করি অরোনবা এজেন্দা লৈবগীনো হায়বগী ৱাহং মীয়াম্না হংনরি।

মীতৈশিং ঙসিসু নেশনল হায়ৱেশিংদা চৎপা ফংদ্রি। মপানগী ষ্টেটতা চৎনবগী মরু ওইবা লম্বী অমা ওইরিবা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী হায়না খঙনরিবসিদা অৱাং সেকমাইদগী হেন্না চঙশিনবা য়াদ্রে। অসুক শাংলবা মতমসিদা মীতৈশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট ফংহন্দনা থম্বসিদা অকনবা থবক লৌখৎতুনা মীতৈশিংবু মশাগী হক ফংহনবা ঙমহন্দবা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অসিবু করম্বা মখলগী মীয়ামগী গভর্ণমেন্টনো। মালেমগী মফম অমত্তদা থোক্লোইদৌবা থৌদোক্লি লমদমসিদা থোক্লিবসি, কাঙলূপ অতৈদি চৎপা য়ানি মীতৈশিংদি চৎপা য়ারোই হায়দুনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা শৌগৎপা টেররিষ্টকী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশনশিংদুনা ফোংনা থোক্তুনা লম্বী থিংলি। মমাঙ চহীগী মার্চ ৮দুদি মওংকদি মানখি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী ওর্দর মতুংইন্না নেশনল হায়ৱে অনী অসি ঙাক শেন্দুনা মীতৈশিংবু নীংতম্না চৎপা ফংলগদবোই নীংখি। অদুবু কাংপোকপী লানশিনবা ঙমখিদে। ঙসিসু মীতৈশিং নেশনল হায়ৱেশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট ফংদ্রি, করম্বা মতমদা নীংতম্না ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইনা, মণিপুরী অমা ওইনা ইশাগী ইরমদমসিদা চৎচবা ফংগদৌরিবনো হায়বা ঙমদে।

লোইশিল্লকপদা চথরক্লিবা ষ্টেট লৈঙাক্কী শাসন মওং অমসুং ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিনদি ইরমদমসিদা ঈং-তপ্পা অমসুং তংদু লৈতাবা হায়বদু করম্বা মতমদা পুরকপা ঙমগদগে হায়বা ঙমদে। মীতৈশিং মোরে, চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপীনচিংবদগী শৃৎ নান্না তান্থোকপীরক্লে। মতম চূপ্পগী ওইনা অমুক হন্না মীতৈগী খোঙ্গুল তাবা ঙমদবসু য়াই। মীতৈ কয়া তমথীনা হাৎপদা ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙলকখিদ্রবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা মকোক থোংবা লুচিংবশিং তুংদসু তমথীবা মীহাৎ কয়া হাৎলকপদা অদুমক তূমিন ‘মৌনব্রত’ তৌখিগনি। মীচম মীয়াম ঐখোয়না তমথীবা মীহাৎ অমগী মথংদা অতোপ্পা অমগী অৱাবা অমুক পুদুনা লৈহৌখিগনি। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দাদুনা অৱা মৈশা নংহল্লকখিবা চহী অহুম মপুং ফাখ্রে। কয়াম কুইনা চথখিগনি তম্বা ঙমদে হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# “নোংমদা ওইখিবা নত্তে” - ২

**- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -**



**থোকচোম ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন ওইরকপা** ঃ- ডা. মোইরাংথেম নর, এম এল এ অমুক হন্না কারক্লবা সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্টকী ‘মেম সাহেবকী শাড়ি’ ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র থিএটরদা চেরিটি তৌখি। লুপা লাখ অমা তানখি। লুপা লিশীং ৮০ খূৎপাইশেল ওইনা শিন্নদুনা মাগী কন্সটিটুএন্সি, ৱাংজিং তেন্থাদা অমুক হন্না ভোট লেপখি। লীলা কাঙলূপ কয়ানা মাগীদমক ভোট খোমখি। পূম্নমক শঙলেন অমগী মঙদুননি। ডা. নর ভোট কারে। আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর ওইরে। লীলারোই কয়ানা মঙজরিবা মঙ অসি মঙফাওনরনি হায়বগী ৱাখলদা হরাওজে।

**থোকচোম ইবোয়াইমা থোরকপা** ঃ- মঙলিবা মঙ অসিগা ইরোয়ননা শুমাং লীলাবু নুংশিবীবা, লীলারোইশিংগীদমক য়াইফনবা থৌরাং খরদি পাঙথোক্লমগে খনবা মীশক অসি থোরকই। লীলাগা মরী লৈনবা মীশকশিং, মফমশিংদা চৎতুনা ৱারী শাবা হৌরকই। লীলারোইশিংদা পেন্সন পীদুনা লীলা তৌবা ঙমদ্রবা মতমদা হিংজনবগী ৱাখল্লোন অমদি নোংজু-নুংশা লাক্লবসু লীলা লেপ্তুনা উৎফম মফম অমা শাবগী ৱাখল্লোন পোক্লবা মীশক অসি মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগা খূৎশম্নবা হৌরকই। মিনিষ্টর ডা. নর, কাউন্সিল, ইবোয়াইমগী ইমুং-মনুং মায়কৈ অহুমগী অপূনবা খোঙজং অমা শাগৎলকই। শানবা মফম থিবা হৌই। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা থোকচোম ইবোয়াইমা কুমজা ২০০১গী এপ্রিল ১২দা তাইবঙপান থাদোকখি।

**লৌরেম্বম নিঙোল থোকচোম ওংবী সনাতোম্বী থোরকপা** ঃ- মপুরোইবা কায়নবগী মীরাং পিরোইনরবী সনাতোম্বীনা কাউন্সিলগী ওফিস ওইরিবা সনা লৈবাক নাচোমগী ওফিসতা লাইবক্তা অমুবা চন্দন পল্লদুনা মপুরোইবনা পান্নম্বা থবকশিং পাঙথোক্কনি হায়না লাকখিবদো মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা ঙসিসু ময়েক শেংনা উরি। আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর ডা. এম নরগী অপাম্বগা সনাতোম্বীগী অপাম্বগা কাউন্সিলগী মঙগা তিন্নরবদা শঙলেন শাবগী মঙ মঙফাওনবগী নুমিৎ উরকই। শঙলেন শানবগী মফম আর্ট এন্দ কলচরগী মনাক্তা লৈবা লমলেম অসিদা লৈঙাক্লা পীবিরে। সনাতোম্বীনা মপুরোইবগী মিংদা লুপা লাখ ৫ কৎলে। শাননবা কম্মিটি অমা শেম্লে। মঙসিদম বিনোদ, চ্যেরমেন; শৌগ্রাকপম হেমন্ত, কনভিনর; ফুরাইলাৎপম গুনচন্দ্র শর্ম্মা, মেম্বর; কে ঐচ সোরোজিনি (দিরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর); অম্বকসিং পহৱা, মেম্বর; টি ঐচ প্রফুলো হায়রিবা মীওইশিং অসি মেম্বর ওইনা য়াওখি। মতম অদুদা চাউরবা শেনফম অমা পুথোক্লিবা সনাতোম্বীগী মপুরোইবা থোকচোম ইবোয়াইমা শঙলেন অসিগী মমিং থোনবা হায়না য়ানখি অদুগা কুমজা ২০০২দগী শাবা হৌখি।

**শুমাং লীলাগী নুমিৎ লাউথোকপা** ঃ- কুমজা ২০০২দা শাবা হৌগদৌরিবা হৌজিক লৈরিবা শঙলেনগী মফম অসিদগী আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর অমদি মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী হৌজিক হৌজিক চীফ এদভাইজর ওইবিরিবা ডা. এম নরনা লুচিংদুনা অহল ওইরবা লীলারোই ১০০ রোম য়াওনা মপাল কাংজৈবুং ফাওবা অচৌবা কলচরেল রেল্লি অমা চৎখি। মসি শুমাং লীলাগী ঈহৌ কনখৎহনবনি অমদি শাগদৌরিবা শঙলেন অসিগী তেংবাং থিবনি। কুমজা ২০০২গী এপ্রিল ১২গী নুমিৎসি শুমাং লীলাগী খ্বাইদগী চাউবা খোঙহৌ অমনি। অদুগা কুমজা ১৯৮৪গী এপ্রিল ১২দসু কাউন্সিল লিংখৎখি। অমুকসু শুমাং লীলাগী মরুপ থোকচোম ইবোয়াইমসু কুমজা ২০০১গী এপ্রিল ১২দা লৈখিদে। অসিগুল্লবা নুমিৎ অসি লেম্না মাঙদনবা অমদি মতম পূম্নমক্তা নীংশিংদুনা থম্নবা এপ্রিল ১২বু ‘শুমাং লীলা নুমিৎ’ হায়না ডা. মোইরাংথেম নরনা লাউথোকখি। কুমসি ২০২৬ ফাওবদা চহী ২৫ চঙলে। মসিগী সিলভর জুবিলি থৌরম মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা চহী চূপ্পা পাঙথোক্লি।

**থোকচোম ইবোয়াইমগী ইমুংনা শুমাং লীলাগী মীয়ামদা পীরিবা খুদোলশিং** ঃ- শুমাং লীলাগী নুমিৎ লাকপা চহী খুদিংগী থোকচোম ইবোয়াইমা এৱার্দ খনগৎলবা লীলারোই অমদা চহী খুদিংগী লান্থোকই। লুপা লিশীং ১০দগী হৌরকখিবনা ঙসিদি লুপা লিশীং ৫০ য়ৌরে। শুমাং লীলাগী মরমদা ইবা জর্নেলিষ্ট অমা খল্লগা থা-থাগী লুপা ২০০০/২০০০গী চাংদা লিশীং ২৪ পীখি। শুমাং লীলাগী নুমিৎ লাকপা খুদিংগী ইবোয়াইমা হোস্পিটালদা লীলারোইশিংবু লেম্না লায়েংলি।

**থোকচোম ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্না মীয়ামগী লন ওইরকপা** ঃ- শঙলেন অসি সনাতোম্বীগী লুপা লাখ ৫না য়াংলেন শরু ওইরগা মণিপুর মীয়ামগী তেংবাঙনা মপূং ফানা লোইশিনখি। মীচম মীয়ামখক্তা নত্তনা ষ্টেট অসিদা গভর্ণর ওইবিরম্বা অনী ডা. ভেদ মরৱা অমদি এস এস সিধুনা লুপা লিশীং ৫০/৫০ পাংলম্মী। মসিগী মথক্তা মতম-মতমগী লৈঙাক পায়বা য়াওবা মীহুৎশিং, য়াওদবা মীহুৎশিংনসু শঙলেন অসি মপূং ফানবা তেংবাঙখি। কাউন্সিলগী থৌপুবশিংনা অহিং তাইবঙ খঙদনা তেংবাঙ নীখি। শঙলেন অসি ওইনবা হোৎনবদা কাউন্সিলগী মীওইশিং মঙসিদম বিনোদ, শৌগ্রাকপম হেমন্ত, ফুরাইলাৎপম গুনচন্দ্র শর্ম্মা, কৈশামথোং ইবোতোম্বী, লোয়ননা লীলারোইশিংগী হোৎনজমল ঙসিগী মীয়াম অমদি হৌরক্লিবা লীলারোইশিংনা কাউফম থোক্তে। ঐগী ঐগী হায়বা মীংচৎ লৌনবা তৌদনা অপূনবগী থৌনানা ঙসিদি কোনুং লম্পাক্তা ঐখোয়গী থোকচোম ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্না লীলারোই অমদি অয়েংবা পূম্নমকপু তরাম্না ওক্লি।

**থোকচোম ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন উৎ ওল্লমগদবদগী কলহৌবা** ঃ- কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা লমদম অসিগী নুংঙাইতবা থৌদোক্তা ওইখিবা মৈহৌ লাংপোক্তা থংননা লৈবা য়ুম মৈ চাল্লকপদা থোকচোম ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন অসি মৈৱাইরক্তুনা উৎ ওইরমগদবা মিৎকুপ অমা ওইখি। ঈহৌ অদুগী মীয়ামগী মোব অদো ইরায় লায়দে। লৈবাক নুংশিবগী ঈহৌনি। থিংবা ঙম্লোইদবা খোঙজংনি। মৈদো কনবা কনাসু চঙবা ঙমখিদে। অদুবু শৌগ্রাকপম হেমন্তনা খূৎ লোন্নদুনা হায়জখি। লৈঙাক্তগীসু ফয়র বৃগেট নিখি। ফুরাইলাৎপম গুনচন্দ্র শর্ম্মা, সেক্রেটরি য়ূম্নাম নিল্লচন্দ্রসু থুংলখি। শৌগ্রাকপম হেমন্তনা ‘ইচিন ইনাওশা শঙলেন অসি নোংমদা ওইখিবা নত্তে। মসিনা উৎ ওইখ্রবদি ঐখোয়গী অনৌবা শুমাং লীলা শঙলেন অমুক হন্না উররোই। শঙলেন অসিতদি কনমিন্নসি” হায়না লাউখি, খোঙজংলোইশিংদা হায়জখি। শুমাং লীলাগী মরু ওইবা খঙবীরবা খোঙজংলোইশিংদুগী মতেংগা লোয়ননা শঙলেন অসি মৈদগী কনবা ঙমখি। অহিং য়ারেক্তুনা লম্বীদা থাংদোল্লুম্বা পোৎলমশিং মাঙদনবা হোৎনখিবা শঙলেনগী ক্যেরটেক্কর শৌগ্রাকপম রাজেশ অমদি শুমাং লীলাগী লুচিংবা, সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি এৱার্দি শৌগ্রাকপম হেমন্তবুদি শুমাং লীলাগী মীয়াম্না মতম পূম্বদা নীংশিংনহৌরনি।

হৌজিক লৈরিবা শুমাং লীলাগী শঙলেন অসি মতমগা চুনবা ৱাৎপনা মতমগা চুনবা শঙলেন অমা ওইহন্নীংবগী ৱাখল্লোন অদু লাইওইখ্রবা ডা. রতন থিয়ামনা পীরম্মী। অখঙ-অহৈ লীলাবু নুংশিবীবা কয়াগীসু অপাম্বা ওইরি। মসিবু পাঙথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি লৈরিবা শুমাং লীলা কাউন্সিল অসি মপাঙ্গল কল্লবা মতমদুতদা ঙমগনি হায়না ফোঙদোক্লরি।) ●

# চীংঙু নিংথৌশিংগী লৈঙাক্লা মান্নদ্রবদা

**- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -**

ইন্দিয়াগী সন্বিধান লিংদুনা মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লৈবাক ঙাকপা ষ্টেট ২৮ অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরি ৮নি। মদুগী মনুংদা মণিপুরসু ষ্টেট ২৮সিগী মনুংদা অমনি। ষ্টেট অসিদা চাক তাঙবা, ঈশিং চাওবা, অৱা-অনা কয়া অমা মায়োক্লখ্রে। মসিদা নত্তনা মণিপুরী লোলবু সন্বিধানগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চন্নবা হোৎনবদা থেংনখিবা অৱাবা কয়া, চল্লবা মতুংদা নুংঙাইবা কয়া, আর্ম ফোর্সেস স্পেশল পৱারস এক্ট, ১৯৫৮ লৌথোক্লবা হোৎনবদা মীওই কয়া চৈবুল চাখিবা, রব্বর বুল্লেট, টিয়র গ্যাসনা পানবদগী শোয়নাইবা কয়া য়াওখ্রে। মণিপুরবু মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইহনবীয়ু হায়দুনা পোলিটিকেল পার্টি কয়া, মহৈরোয় খুন্নাই কয়া অমদি সিভিল সোসাইটি কয়ানা মায়োক্লখিবা লক্ষ্মাংদা পুরগা থাদোকপীরগা কিলোমিটর ২০/৩০ খোঙনা লাকপা কয়া, জেলদা লৈবা কয়া পূম্নমক লমদম অসিদা পোকপা লমদম অসিদা চাউরকপা মীওই কয়াদুগী হোৎনজমন অদুনা ঙসিদি মণিপুর লৈঙাক্লা ৫৪রকশুবা ষ্টেটহুদ থৌরম পাঙথোক্লি। কনানসু কনাবু মতম অদুদা জেল চংখিবা, চৈবুল চাখিবা, অহিংদা খোঙনা শাংনা চৎহনখিবা কয়াদুগী মীওই অমা ফাওবা নীংশিংবীদ্রে। লৈবাক মীয়াম মমাঙদা মখোয়গী মরক্তা হিংলিবা থৱায় কয়াবুসু ইকায়খুম্নবীফম থোক্তবরা? ঐখোয় মীওইবনা হৌখিবা পুৱারী, হৌখিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াবু হেক হেক নাকন্দা থৈদোকপীবা অসি তৌহৈদবা মচৎ অমনি।

ঙসি ইমা-ইবেল, ইচে-ইচল, ইয়াম্বা-ইনাও অমদি মহৈরোয় কয়ানা মরৈবাক মরমদমগীদমক্তা তূম্বা চাবা মচেৎ মায়োক্লদুনা ইমা মণিপুরগীদমক লান্থেংনরিবা পূম্নমক অসি ওইফম থোক্তবা, তৌফম থোক্তবা ঙাক্তনি। তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফাই, অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বা পূম্নমক অদু কাউথোক্লগা পূম্নমক অমনা অমবু চিংথনবা, নেৎশিন্নবা হোৎনবনা চফু কায়রগা ক্লাকনা হরাওই হায়বগুম্না মিৎকুপ খুদিং, পুংজা খুদিংমক্তা ঙাখা লৈবা মফমদা উরোকনা মিৎয়েং চঙই হায়বগুম্না হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা মণিপুরবু নমথদুনা নৎত্রগা মচেৎ মচেৎ কায়হন্দুনা তংদু লৈতাদবা ষ্টেট অমা ওইনবা হোৎনরিবা অসিসু খরমখৈদি খনবা য়াবনি। হৌজিক মণিপুর করি ওইরি, করি ফীভমদা লৈরি, করি করি মায়োক্লরি হায়বসি মীয়াম্না লৈবাক ঙাক্লুরো হায়দুনা চহী মঙা-মঙাগী ওইবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং তৌরকউ, চাকথুংহনবীয়ু, ফিথুংহনবীয়ু, লন-থুম ঙাকপী শেনবীয়ু, পোকঙমদনা পোকপা মপোকনি মথং অমুক পোকপা পোক্তবা কনানা কনাদা হায়বা ঙমদবা মীওইবগী মপোক্লি। কবি কয়াগী কল্পনা, ৱারেংবা শৈরেংবা কয়াগী লৈশি লৈথোনবা অদুনা ৱাফম অমনি। মীওইবদি ঙসি পোক্লিবা, ঙসি উরিবা অসিনা ঐখোয়গী সংসারননি। ফনা তৌরগনা মীয়াম্না শীংথাবীবা অদু হয়েংগী মপোকনি। ফত্তবা ঙাক্তা তৌদুনা মীনা য়াম্না ফত্তনা ঙাঙনবা অদুসু ফত্তবগী মপোকনি। মসিনা মরম ওইদুনা ইমা-ইপা অনীনা পোকপীদুনা নাওয়োক নাওকোনবীদুনা উরিবা সংসার, তারিবা থেংনরিবা তিন্নরিবা মরুপ-মপাং, মরী-মতা পূম্নমক নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা, ঐগী হায়বনা মাঙদা থাবা খক তৌরোইদবনি।

মতম অমগী নিংথৌ পানবা লৈঙাক্কী পিবা ফম ঙসিগী মীয়াম্না য়াবা মীহুৎনা লীংবা লৈঙাক অনীমক মীয়ামগীদমকনি। খেন্নবা হায়ববু ঙসিগী দেমোক্রেসিগী লৈঙাক অসিদদি মীয়াম্না য়াদবা মীহুৎ অদু চহী মঙাগী মতুংগী মীখলদা শিন্দোক্লবগী ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশননা হক পীরি। নিংথৌ পানবা লৈঙাক্কীদি মসিগী ৱাংমদনি। মতমদুগীদি খূৎকন পাঙ্গলবা খোঙমী লাম্মী শাদা লানদা মতিক মথৌনা লৈবা কয়াবু মাগী মী ওইনবা তাশিন খোমজিন্দুনা লৈবাক ঙাকপনি। লৈঙাক্লিবা নিংথৌগী মায়োক্তা শীংনরক্লগা মতিক চানা খোঙমী লাম্মী পুদুনা মফম অদু লাকশিনবা অসিগী মচৎনি। ঙসিগী লৈঙাক লৈরিবা অসিদা মণিপুর ষ্টেটকী মায়োক্তা কুকি নার্কো টেররিষ্টনা মণিপুরদগী শরুক কয়া লৌশিল্লগা কুকিলেন্দ শেমগনি, মীতৈ কয়া হাৎপা-তুপ্পা, মরাল লৈজদবা মহৈরোয় লিন্থোইঙম্বী, হেমজিৎ হাৎলি। জিরিগী জাকুরাধোরদগী থা ৮ খক্তা ঙাইরিবা লানঙম্বা, চহী অহুমখক্তা ঙাইরিবা চীঙ্খোঙানবা, চহী ৮দমক ঙাইরিবী নুপীমচা থাজমানবীগী পূন্সি অৱা নুংঙাইবা মশক খঙদনা শরাক তমদুনা শাহিং-ঙাহিং চাবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা শারমচৎকী মখাদা পূন্সি লোমহনখিবনি। চহী ২৫দা ঙাইরিবী মৌনহা লানঙম্বগী মমা, হৈতোনবী, থোইবী অমদি চহী ৬০ শুরবী মবোক্কী পাঞ্চক ওইরবী রানি শাগী ৱাখল চেল্লবা কয়াদুনা চৎহৈদবা লমচৎ, তৌহৈদবা থৌওং কয়াগী মতুংদা মীহাৎ থীনা হাৎপীখিবা অমদি অতৈ থৌদোক কয়াসু ঙসিগী মীরোলনা কাউবা ঙমদনা লৈরি। লাঞ্জদবা অহল লমন, নুপী অঙাং, মহৈরোয় কয়া মাঙলিবা অসি কৈদৌঙৈ মেনখৎপা ঙমগনি। চফু কায়রগা ক্লাকনা হরাওবগুম্না কাঙলূপ ফূরুপ খরনা চারিবা-থক্লিবা, শেৎলিবা, নোংমগী শীজিন্নদবা য়াদ্রবা পোৎলম খুদিংমক শেন্দোং চাউনা চাউনা লৌদুনা অকুৎপদগী অতোংবদা থোনগৎলি। খঙই খঙলোই খনগনু পূম্নমক চাক চারি, ঈশিং থক্লি, ফি শেৎলি। ষণ হাৎলুচো থারগা ষণনা ৱাইহনবা, লৈবাক ঙাকউ, পূন্সি কল্লু হায়দুনা ঙাকপী শেনবীনবা শম্বল ওইরগা শম্বলনা হৱাইমতোন চাবা কয়া অমনা লৈঙাক্তা য়াওরকপদগী ফীভম অসি তাখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর অমা, কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর তরামাথোইগা পূন্না লৈবাক ঙাকপনি। মফম মতম য়েংদনা য়োংনা চু পায়বদৌনা পায়দুনা লৈগে, মীনা চাগদৌবগী শরুক ঐনা অমদি ঐখোয়না চাগে হায়রবদি মনুংদগী চেকখাইরকপা তাবনি। চাকথুং ফিথুংবা হায়বা অসি লৈঙাক্লা মীয়ামগা খক্তা নত্তনা চীংঙু নিংথৌ মণিপুর এসেমব্লিগী সনাগী তাংবলদা ঙান্থোইবিরিবা পূম্নমক পুকচেল খোয়জেল তিন্ননা মান্নবা চাকথুং মান্নবা ফিথুংমিন্নবা তঙাইফদে। তুম-তুম তুমদুবী চক্রিক নাক্রিক চৱাইবী, পিদোই থাদোই তিমু তিমু মখোঙদা হায়বা অথুম্বনা চারে অখাবনা য়েল্লে হায়বদু খক তৌরোইদবনি। ঙসি সী এস ও কয়ানা খা-রাই খঙদনা চেল্লিবা চোংলিবা মণিপুরদা বাংলাদেশতগী অমদি ম্যান্মারদগী নারোন্দা চেনশিল্লকপা ধর্ম্ম মান্নবা লাইনীং লাইশোন মান্নবা কাঙলূপ ফূরুপশিংনা উকল ওইদুনা চংজফম পীরিবা কয়া মীতোপ মীয়ানচা কয়া অসি মশক খঙদোকত্রিবমখৈ য়ূমকোক-মীকোক থিবা য়ারোই হায়বা খোল্লাও পুদুনা মণিপুর তম্পাক্কী মফম খুদিং মীফম পাঙথোক্লিবা, আই দি পিশিং মশা-মশাগী খোইরি লিশাং তাহৌবা মফমদা হঞ্জিলহনবীয়ু হায়দুনা সী এস ও কয়ানা লাউরিবা পূম্নমক অসিবু মতিক চাবা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরম্লগদবু মীয়াম্না ৱাফম, চৈ চাফম, টিয়র গ্যাস, রব্বর বুল্লেট মায়োক্লফম থোকপরনে। থিকাদার, ব্যুরোক্রেসি অমসুং শেঞ্জাও পায়বা করবার তৌবা মীওইশিংনা রাজনিতিগী ফম্বাক্তা থাংগৎপগী ৱাফমসি লাপ্না থম্বা ঙমদ্রিবমখৈদি থৌদোক কয়া থোরক্কনি, ৱাথোক কয়া মায়োক্লবা, মফম মতম চানা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী শেন্দোং তান্নবা পোলিটিকেল গেন লৌনবা হোৎনখিবা কয়াদুনা ওইহল্লকপা ঙাক্তনি। পোলিটিক্স তৌরিবশিংগী মফমদদি মরুপ লৈতে, য়েক্লবসু লৈতে। মখোয়গী মতম মতমগী মরুপনি অমদি য়েক্লবনি। লৈঙাক্তুদগী খুদোংচাবা ফংলিবশিংনা মচুম, মহি, মপং চারিবা-থক্লিবা, চূপ্লিবা পূম্নমক্লা পার্টিগী ৱা নত্তনা মসিমুক ফবা লৈতে হায়রক্কনি। মসিননি মণিপুরদা পার্টি মশীং খঙদনা য়াওবা লেংয়ান ওন ওন্দুনা য়ানবা, ফিরাল মচু-মচু শিনবা ঙম্বা ক্লাক, সেকেন্দ হেন্দ কয়ানা মথৌ পোংনা পোংনা লাউরিবা কয়াসিগী লাংদগী নান্থোক্লবা হোৎনবীয়ু।

ইমা ইবেল, ইচে ইচল কয়ানা অহিং মিৎশেল খাঙদুনা লাউরিবা খোঙলিবা পূম্নমক্তগী লাপথোক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীহুৎ খনবা মতমদা মতিং মথৌনা লৈবা মরৈবাক নুংশিবা খলহৌবা তাবনি। নত্তদুনা চহী মঙা নুমিৎ ১৮২৫গী মতমদা অৱাবগা নুংঙাইবগা অৱাবনা শরুক কয়ানা য়োম্লবা চাকথুংদবা ফিথুংদবা লম্বী থোং, মৈ ঈশিং, লাঞ্জেন্নরিবা কয়া অসি মফম মতম চানা থবক লৌখৎহৌদবগী মহয়নি। মপানগী পাউমী অমদি ইন্টলেকচুএল খরদা চিরোল চংদুনা মীতৈ খুন্নাইবু লান্না-লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা কয়া গ্রাউন্দ রিয়েলিটিদি করিসু খঙদনা ঙাঙহল্লিবা খুদিংমক থেংনবগী তঙাইফরক্তবা মতম অসিদনি সেন্টরগী লৈঙাক্তা নিংথিজনা খঙহনবা তঙাইফদবা মতম ওইরকপদা মতিক চাবা মীহুৎ হায়বা অমা মথৌ তারক্লিবসি।

ঙসি এন আর সীগী, সেন্সসকী অমদি আই দি পিশিংগী মতাংদা ৱাহৈ মচেৎ অমা ফাওবা ঙাঙদবা ঙম্বা মসিদগী হেনবা লাইবক থীবা অমমুক লৈরমখিগদ্রা। চীংঙু নিংথৌশিংগী সনা তাংবলদা ঙান্থোইরিবশিংনা ৱাখল মান্নদ্রবদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না করি ওইফম থোকই হায়বদুদি লাক্কদৌরিবা মীখল মতমদা পাউখুম পীবিরো মীয়াম্না। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।